# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-03-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১) মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ১৬ ঙরাং মণিপুর পুলিসনা ফারে।

২) মহুদ দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল সহরবু হেন্না লূ নানবা সহর অমা ওইহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি।

**অমসুং**

৩) অনিশুবা তাংকক্কী বদজেট মীফমগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারামননা মণিপুরগী বদজেট সভাদা পুথোক্কনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফালগী গান্ধি এভিন্যুদগী এন.আর.এফ.এমগী নুপী মরি য়াওনা হকচিনবা মীওই মঙা ঙরাং পুলিসনা ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং খূৎলাই পুথোক পুশিন তৌবগী থবক্তা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী চাকা অনি পানবা গারি অমা মোবাইল ফোন মঙা অমসুং আই.দি কার্দ অমা ফংলে হায়রি। গোলাপতি মসজিদ অচৌবা অৱাং লৈরক্তগীসু ঙরাং এন.আর.এফ.এমগী নুপী

কেদর অমা ফারে। মঙোন্দগী লূপা লাখ ১ লিশিং ৭ অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি। মহাকসু মীয়াম, প্রাইভেট ফার্মশিং অমদি সরকারগী ওফিসিএলশিংদগী নমদুনা পৈশা খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। খোঙমন নান্দৈবম লৈকাইদগীসু ঙরাং পুলিসনা প্রিপাক (প্রো)গী হকচিনবা মীওই অনি ফারে। মখোয়সু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। হৈনৌপোক্কী ইমা মেধাপতি স্কুল মনাক্তগী প্রিপাক(প্রো)গী নুপী অমা য়াওনা মীওই অহুম ঙরাং পুলিসনা ফারে। রিমসকী মেইন গেট অমসুং শামুরৌদগীসু কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমমম ঙরাং পুলিসনা ফাখি। লাঙ্গোল তাইপ টুদগীসু ঙরাং রাজ্য পুলিসনা য়ু.পি.পি.কেগী হকচিনবা মীওই অহুম ফারে। মখোয়সু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

**ইম্ফাল(এল)ঃ** ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অর্বান দেভলপমেন্ট(মহুদ) দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল সহরবু হেন্না লূ নানবা সহর অমা ওইহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালদা অখন্ননা উনবা অমদা মহুদকী দাইরেক্তর এন.জি উট্টমনা হায়-ৱাতর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্ট, এনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ, পুলিস দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমসুং কোর্পোরেসন অসিগা খুৎশমদুনা থবক তৌমিন্নরিবা এন.জি.ওশিংগা পুন্না লু নানবগী কেম্পেইন চংশিন্নবা হোৎনরি। অহানবগী ওইনা ইম্ফাল সহরগী মনুংদা অমোৎ অকায় য়ামা লংথোকফম ওইবা মফম ২০ খন্দোক্তুনা শেংদোকপগী থবক হৌরে। নিউ চেক্কোন ক্রোসিংগী মনাক্তা অমোৎ অকায় হুন্দোক্লন্বা মফম শেংদোক্তুনা লৈ থাবা হৌরে। অসুমা অতৈ মফমশিংসু শেংদোকপা লোইরগা মখা তানা অমোৎ অকায়শিং লংশিন্দনবা মফমদুগা চান্ননা শেমগৎপগী থবক চথগনি। মফম চাদনা অমোৎ অকায়শিং লংথোক্তুনা সহর অসিবু মোৎশিলহল্লিবা মীওইশিং পুলিসকী

মতেং লৌদুনা ফাগৎপগী অখন্নবা খোঙথাং লৌখৎলগনি। লৈঙাকা সহর অসিবু লু নান্না থমবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা শ্রী উট্টমনা আপিল তৌরি।

**ইমো(এল)ঃ** এম.এল.এ আর.কে ইমোনা ঙরাং মৈনো লৈরক মনিং লৈকায়দা নৌনা শাবা মল্টিপর্পজ কম্ম্যনিতি হোল কম ক্লব অমা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা আর.কে ইমোনা হায়-হৌজিক্কী লুরবা তানফম অসিদা মীয়ামা রাজনিতিগী ওইবা ৰাখল্লোনশিংদগী নাথৈদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা পুমমক্কী য়াইফমিন্নবা ৰাখল্লোনদা থবক তৌমিন্নগদবনি। বিরোধি দলশিংনসু য়ৈখাই থিনগাইবগী ৰাখল্লোনশিং থাদোক্তুনা ৰাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে।

**কেম্পেইন(এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী মচি ব্লোক্কী মখাদা লৈবা কোইজম ভিলেজতা নাসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা মীয়াম্বু ৰাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়র ওফিস তেংনৌপল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৰা ঙাংখিবশিংনা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নবগী অমাংবা অমসুং মসিনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং অমদি নুপীশিংদা পীরক্লিবা চৈথেং হন্থহন্নবগী মতাংদা মরিক চুমা তাকপী তন্বীখি। থৌরম অদুদা, ৱিমেন সোসাইতি অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপগী পুন্না মীওই ১০০ রোমনা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মণিপুরদগী নুপামচা ১৭ অমসুং নুপীমচা ১১ না শরুক য়াদুনা চৎখিবা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুর দেহরাদুনদা য়ৌদুনা মফম অদুদা লৈবা ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমিদা চংদুনা য়েংখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-মখোয়না মফম অদুদা লৈবা

মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগসু ৱারি শান্নখি। মহৈরোইশিংগী কাংবু অদুনা মফম অদুদা লৈবা ফোরেষ্ট রিসর্চ ইন্সটিট্যুট অমদসু চংদুনা য়েংখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব-দিভিজনগী মনুং চনবা খুলজাং খুল মনাক্তা লৈবা তুইয়াং তুরেলদা ত্রক অমা তাশিনবদা অশোক অপন নংলবশিংবু অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা চংশিন্দুনা মতেং পাংখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা ত্রক অদুগী দ্রাইভর, কো-দ্রাইভর অমদি নুপী অমা অহানবা লায়েংগী মতেং পাংলবা মতুংদা চকপীকারোং পি.ঐচ.সিদা পুখৎলক্তুনা মখা তানা লায়েংখি হায়রি।

**বদজেটঃ** সংসদকী অনিশুবা তাংকক্কী বদজেট মীফম ঙসিদগী অমুক হৌরগনি। মীফম অসি এপ্রিল ৪ ফাওবা চথগনি। মীফম অসিগী মনুংদা পুন্না সিত্তিং ২০ লৈগনি।

অনিশুবা তাংকক্কী বদজেট মীফমগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারামননা মণিপুরগী বদজেট সভাদা পুথোক্কনি। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-তাংকক অসিগী মীফমদা ইং ২০২৫-২৬কী ভোটিং ওন দিমান্দস ফোর গ্রান্দস অমসুং মরি লৈনবা বিলশিং খন্ন-নৈনগনি। মসিগী মথক্তা বেঙ্কিং লোজ(এমেন্দমেন্ট) বিল, কোস্তেল সিপ্পিং বিল ২০২৪, ইম্মিগ্রেসন এন্দ ফোরেন্নরস বিল ২০২৫ অমসুং রেলৱেজ(এমেন্দমেন্ট) বিল য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিল কয়া পুথোক্তুনা খন্নগনি।

**ধনখরঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং নিউ দেল্লিগী এইমসতা চত্তুনা মফম অদুদা লায়েংলিবা উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরগী হকচাংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। শ্রী ধনখর মশা নুঙাইরক্তবদগী নহান নুমিদাং হোস্পিতাল অসিদা পুখৎলক্তুনা লায়েংলকপনি। হোস্পিতালগী পাউনা হায়-শ্রী ধনখরগী হকচাং থোইনা নুংশাথিনিঙাই ওইদ্রি । প্রধান মন্ত্রিনসু শ্রী ধনখরগী হকচাংগী ফীভম থুনা

ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি। রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনসু উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরগী লোইনবীগা ৱারি শান্নদুনা অনাবা হংখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রীমতি মুরমুনা উপ-রাস্ত্রপতিগী হকচাংগী ফীভম থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

**ক্রিকেটঃ** ভারতকী ক্রিকেট টিমনা আই.সি.সি চেম্পিয়ন্স ত্রোফি লৌরকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-গেমস অদু তোপ তোপ্পা অখন্নবা অমা ওইখি অমসুং মদুগী ফলসু অখন্ননা পুরকখি। চেম্পিয়ন্স ত্রোফি অসি লৌরকপদা চাউথোকচবা পোকই ফোঙদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-ভারতকী শান্নরোইশিংনা মেটচ অদুদা থোইদোক হেন্দোকপা হৈ-শিংবা কয়া উৎখি। মদুনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউথোকচবা ফংহল্লে।

দুবাইদা ঙরাং নিউজলেন্দগা ভারতকা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা নিউজলেন্দবু ৱিকেট মরিদা থোইদুনা ভারতনা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি অসি লৌখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পার্লিয়ামেন্ট সেসনগী অনিশুবা শরুক ঙসিদগী হৌরগনি, মণিপুরগী বদজেট অমসুং প্রসিদেন্ট রুল লাউথোকপগী ৱাফম হাউসতা পুথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পুলিসনা নুপী ৬ য়াওনা য়ু.জি ১৭ ফাখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অসাম রাইফল অমদি ইন্দিয়ন আর্মিনা য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মিগী চুরাচান্দপুদা শারম্বা কেম্প অমা থুগাইখিবগী পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা

মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

চুরাচান্দপুরগী টি মুঞ্জাংদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী পোষ্টতা নোংমৈ-বোম কাপশিন্দুনা এতেক্ট তৌরম্লে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

শকখঙদবশিংনা শৈজাং কুকি ভিলেজ চিফ কাপ্পুনা হাৎলম্লে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা-কাংপোকপীদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিনখ্রে, তোতেল সটদাউন মনুংদা নুপীশিংনা নেসনেল হায়ৱে থিংবগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগী সব-হেদলাইন ওইনা অশিবা হকচাং লৌখিরোই, এস.পি শিন্দোক্কদবনি হায়না ফোঙলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা নাসা মুক্ত ভারতকী কেম্পেইন অমা ওইনা ময়াই কবা চিঞ্জাক লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়বা পান্দমদা লমশাং লমজেল চেনখ্রে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নুপীগী নুমিৎ পালন তৌখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

অসাম রাইফলস অমদি মিজোরাম পুলিসনা হেরোইন নম্বর ফোর, নোংমৈ অমদি ক্রিস্তেল মেদ কে.জি-৪৮ চাম্পাই জিলাদগী ফাখিবগী পাউ অমা পীপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

আর্টিফিসিএল ইন্টল্লিজেন্সকী কান্নবগী পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা-ইন্টরনেসনেল ৱিমেন্স ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা-ফোক্সকী প্রসিদেন্টনা মশাগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবগী পাউ অমা মরুওইবা ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা-জাইলাদ ৱাইল্ডলাইফ ইকো-সেন্সিতিভ জোনদা খূল অহুম য়াওহনবীগনু হায়না তামেংলোং দি.সিদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**